# মণিপুরদগী নুপীমচা অমা দিল্লিদা ইজ্জৎ মাংহনখিববু অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্ট চৎখ্রে

*নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৮ঃ* মণিপুরদগী চহি ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা দিল্লিদা ইজ্জৎ মাংহনখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অৱাং নোংপোক্কী ছাত্রশিংনা দিল্লিদা প্রোটেষ্ট চৎখ্রে।

চৎখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা দিল্লি পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা প্রোটেক্সন ওফ চিলন্দ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স এক্টকী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীশক অদু খঙদোকপগা লোয়ননা ভিকি কৌবা মীওই অমা ভাষন বিহার পুলিস ষ্টেসন্না ফারে হায়রি।

থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং নুপীমচা অদুনা ইমুং মনুংগী শিজিন্নবা পোৎ খরা লৈননবা লাকপদা থোকখিবনি হায়রি। ভিকিনা নুপীমচা অদুবু হোস্পিতাল অমগী মমাংদা ফাবগা লোয়ননা মনাক নকপদা লৈবা




কা অমদা পুশিন্দুনা ইজ্জৎ মাংহনখিবি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। নুপীমচা অদু অশোক– অপন য়াওবদগী সবদারজুং হোস্পিতালদা পুখত্তুনা মেদিকেল একজামিনেসন পাঙথোকপগা লোয়ননা লায়েংলি। অশোকপশিং অদুনা মরম ওইরগা নুপীমচা অদু হৌজিক লায়েংবগী থবক চৎখরি।

চৈরকসিদা দিল্লি কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী লুচিংবা বরখাসিংহনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অদু খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি। মহাক তঙাইফদনা শিবগী দন্দি শোয়দনা পীগদবনি । থৌদোক অদুদা হিংহৌরবী নুপীমচা অদুগী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। থৌদোক অদু বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা পাঙথোকপা রেল্লি অমা শরুক য়ারিঙৈদা থোকখিবনি। মহাক্না দিল্লি সরকারনা মীচমশিংগী পুন্সি লমদম অদুদা ঙাক শেনবগী থবক ফেল ওইরে হায়না রেল্লি অদুদা ফোঙদোকখিবনি। থোক্লিবা থৌদোক অদু অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা টার্গেট তৌবা অমগুম্না লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা থাসিগী মনুংদা থোকখিবা অনিশুবা থৌদোক্নি। মমাং চয়োলদা অরুনাচল প্রদেশকী নিদো টানিয়ম কৌবা ছাত্র অমা দিল্লিগী লাসপট নগরদা লৈবা দুকান্দারশিংনা ফুবদগী শিখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক শিনবা থুংনা য়ান্নিংদবা খোল্লাও লাওরকখিবনি হায়রি।

# অরুনাচলগী মায়োক্তা চৎখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ লোয়শিনখ্রে

*টেজপুর, ফেব্রুৱারি ৮ঃ* অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ পরিংদা মহৌশাগী পুন্সিদা হজ্জিল্লকখিবগা লোয়ননা ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননচিংবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা চৎখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ লোয়শিনখ্রে।

চৎখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অদু অসামগী মীওই ১১, অরুনাচল প্রদেশকী মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা চৎলিবা চহি অসিগী জানুৱারী ২৯ দা হাৎলম্বা থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চৎখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৬ মফম খঙদনা লৈরি হায়রি। অসামগী বিশ্বাননাথ চারিয়ালি দিষ্ট্রিক্টতা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখি। মীটিং অদু শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ওর্গনাইজেসন কয়ানা সোনিটপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা লমদম অদুগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী খুত্থাংদা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মতিক চাবা দন্দি পীননবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা দিমান্দ কয়ামরুম য়াওরি। মদুগী মনুংদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মতিক চাবা কম্পেনসেসন পীবা, ষ্টেট অনিগী মরক্তা লৈরিবা য়েৎনবশিং য়াশিন্নবা অমা পুরকপা অদুগা চাউলধোৱা খুঙ্গংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা দন্দি পীবা লোয়ননা ঙমখৈগী লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়বা য়াওরি।



ওর্গনাইজেসনশিং অদুনা থাঙ্গৎলিবা দিমান্দশিং অদু নুমিৎ ২০ নিগী মনুংদা পীনবা ৱাফমসু পল্লি। চারিদুৱার পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অমসুং বিৱানাথ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঙমখৈগী লমদমশিংদা মীওই ১১ হাৎখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চৎখদুনা লাকখিবনি। ইকোনোমিক ব্লোকেদ অদু য়ুমশকৈশ নুমিৎ ফাওবদা নুমিৎ ৭ নি শুখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা চীংগী লমদম ওইবা ষ্টেট অদুদা অচৌবা চৈথেং পীরে। মদুগী মনুংদা কামেং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং টৱাং দিষ্ট্রিক্টশিংদা অৱাবা মায়োক্লরি হায়রি।

চৎখিবা ব্লোকেদ অদুনা মরম ওইরগা অরুনাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা পুশিনগদবা পোৎলমশিং মরুওইনা চানবা চিঙ্গাক অমদি থাউশিং ফংনদ্রে। হৌজিক অরুনাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অদুনা মরম ওইরগা লুপা ৭৫ পীবা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৪০০ য়ৌরে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা চৎখরকখিবা ব্লোকেদ অদু লোয়শিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না ফোংদোরক্লি।

# মুজাফর নগরগী রিফ্যুজিশিং ভোট থাদবা য়ানবা ই সি না থৌরাং লৌখৎখ্রে

*মুজাফর নগর, ফেব্রুৱারি ৮ঃ* মুজাফর নাগরগী কাংলুপকী ইরাংনা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীয়াম ভোট্টর লিষ্টতা চনখৎনবা ইলেক্সন কম্মিসন্না অখন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। কাংলুপকী ইরাং অদুনা মরম ওইরগা মুজাফর নগরগী খুঙ্গং ২২ গী মীয়ামশিং রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি।

ইলেক্সন নোদেল ওফিসারনা হায়রিবা খুঙ্গংশিং অদুদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা মীয়ামশিং অদুগী মশক খঙদোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী রবিন্দর গোদবোলেদা থাংজ নুমিত্তা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

মমাং চহিগী সেপ্টেম্বর থাদা থোকখিবা কাঙলুপকী ইরাং অদুনা মীওই লিশিং কয়া লাঞ্জেন্নদুনা লৈরকখিবনি। লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিং অদু সহাপুর, বুধন, যোগিয়া খেরি, মনদুৱারা, জোলা, বিজ্ঞানা, হবিবপুর, সিক্রি, সুহনাইপুর, কালা, কৈল্যানপুর, সিকরপুর, হরসোলি, বগ্রাহ, সাঞ্জক, টাওলি, রিৱালি, নাগলা, লোয়ি, খামপুর, বাসিকালা অমসুং সরাই খুঙ্গংদগীনি হায়রি।

কাঙলুপকী ইরাং অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা মীওই ৬০ শিখি। অদুগা মীওই লিশিং ৫০ না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### ঈশিংগী শাথিরবা জিব–২

*সমদ্রদা অদুগা তুরেলদা হিংবা জিব অনম্বদি মীওইবদা খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রবসু জিব খরদি মীওইবগী হকচাংদা শাথিবা মওংদা অমাং–অতা থোকহনবা ঙম্মী। খরনা মীওইবগী পুন্সি লোইশিনবফাও ঙম্মী। করি করি জিবনো হায়বদু মখা তানা ঙসিসু য়েংমিন্নখিসি।*

Piranha: *মসি অপিকপা অদুগা য়াম্নদি শাথিবা ঙা মখল অমনি। সাউথ অমেরিকাগী শরুক খরদা চেনবা তুরেল খরদা ফংবা অপিকপা ঙা মখল অসি শঙ্গু শঙ্গু লৈবনা মখোয়গী হৈনবীনি। তুরেলদা মখোয়না থেংনবা জিব অমা হেক্তদা মখোয়না শঙ্গু ওইনা এটেক তৌই। করিগুম্বা মীওই অমনা মখোয়বু থেংনরবা অদুগা মখোয়না এটেক তৌরবদি মীশক অদু মিনিট অমগী মনুংদা শদোং লোয়না চাথোকখ্রগা শরু খক্তমক লৈহৌই।*

Sea wasps: *বোক্স জেল্লিফিশ হায়নসু খঙনবা ঙা মখল অসি মিটর ৯ শাংবা মমু পাল্লি অদুগা খারৌগী শক্তি লৈরবা হূ (ভেনেম) অদু ঙাসিদসু য়াওই। করিগুম্বা মমুসিনা থিনখ্রবদি মীশক অদু মিনিট অহুমগী মনুংদা শি। ঙা মখল অসি ওষ্ট্রেলিয়াদা ফংই।*

Sharks: *মীওইবদা এটেক তৌবা খরখক লৈজরবসু শার্ক অনম্বদি মীওইবদা খুদোংথিনিঙাই ওইদে। মীওইবদা খুদোং থিনিঙাই ওইবা শার্কতুদি* bull shark *নি। চহি খুদিংগী শার্ক মিল্লিয়ন ১০০ গী মথক্তা মীওইবনা হাৎলি।*

Stone fish: *মসিগী নুংগী মওং মানবা ঙা মখল অসি সমুদ্রগী লৈমায়দা রোক্স মরক্তা নাপী–শীনা মরক্তা লৈ। মখোয়গী মনমগন্দা হূ চেনবা মমু পাল্লি।*

# ইন্দিয়ান মুজাহিদ্দিনগী ফন্দ খোমগৎপা মীওই ১ ফারে

*ধানবাদ, ফেব্রুৱারি ৮ঃ* ইন্দিয়ান মুজাহিদ্দিনগী ফন্দশিং অরানবা মওংদা ট্রানসেক্সন তৌবা মীওই অমা ঝরখন্দ পুলিসনা সগোলশেল নুমিত্তা ফারে। মহাক পাটনাগী গান্ধী মৈদান্দা নরেন্দ্র মোদিনা শরুক য়াগদবা রেল্লি অমদা বোম মথং মথং পোকখায়হনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

থৌদোক অদু মমাং চহিগী ওক্টোবর ২৭ তা পাটনাগী গান্ধী মৈদান্দা বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিগী রেল্লি অমদা বোম মথং মথং পোকখায়হল্লকখিবগা মরী লৈনৈ হায়রি।

গোপাল গোয়ল কৌবা মীওই অদু শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্কী তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদগী ইন্দিয়ান মুজাহিদ্দিনগী মেম্বরশিংদা শেল থাবগা মরী লৈননা ধনবাদতগী ফাগৎখিবনি।

বি জে পি গী নরেন্দ্র মোদিনা শরুক য়াগদবা পাটনা রেলৱে জঙ্কসন্দা বোম মথং মথং পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৬ শিখি অদুগা ৮৩ না অশোক অপন নংখি। বি জে পি গী হংকার রেল্লি অদুদা চৎখিবা এটেক অদুদা হায়রিবা মীওই অদু অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওইনি হায়রি।

গোয়লবু পুলিসনা ফাগত্তুনা মখা তাবা লংলা লংজিন ফংনবগীদমক ৱাহং পাউহং চৎখরি।

গোয়লনা মহাক্কী একাউন্টতগী শেল কয়া থাদোক থাজিন তৌখিবা অদু বিহারদা থোকখিবা বোম মথং মথং পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনৈ। থৌদোক অদুদা চিংনবগা লোয়ননা থিজিন্দুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং ইন্না গোয়লবু ফাগত্তুনা ৱাহং পাউহং চৎখিবনি হায়রি।

# জন লোকপাল বিলগী মতাংদা মখা তাবা খোঙজং চংশিনগনি হায়না কেজ্রিৱালনা কিহনখ্রে

*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ৮ঃ* দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আরবিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিত্তা কংগ্রেস পার্টিনা মখোয়বু হিংহন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা লৌখৎলিবা জন লোক পাল বিল পাস তৌবা য়াদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চংশিনগনি হায়না কিহনখ্রে।

লৈবাক অসিদা করপসন হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা অমা ওইরে। মদুগী মতাংদা মখা তাবা খোঙজংশিং চংশিনগনি হায়না আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক হিরম অদুগা মরী লৈননা রিজাইন তৌগদ্রা হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা হায়খিবদা আম আদমী পার্টিনা করপসনগী মতাংদা দাইত্ব লৌরি। মদু ফম থাদোকপা হায়বা অদুনা মরুওইবনি হায়না ফোংদোকখি। কংগ্রেস অমসুং ভারতিয়া জনটা পার্টিনা বিল অদু পাস তৌহনবা পামদে হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কম্মন ৱেল্থ গেম প্রোজেক্টশিংদা কংগ্রেস পার্টি চাউনা চেন্নবা লৈরে। মদু বি জে পি গী মথক্তসু লাক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। হৌখিবা চহি ৭ কী মতমদা মখোয়না শক্তি পায়দুনা লাকখি। মমাং চয়োলদা দিল্লিগী কেবিনেট মীফম্না জন লোক পাল বিলগী মতাংদা দরকার লৈবশিং খন্নখ্রে। করপসনগা মরী লৈননা মরাল লৈরবশিং খ্বাইদগী ৱাংবা চৈরাক ফংহনগনি হায়খি।

আম আদমী পার্টিগী মরুওইবা ইলেক্সনগী ৱাশক অমা ওইখিবদি জন লোক পাল বিলনি। মদুনা করপসন মুখৎকনি হায়না ৱাশকখিবনি। লোক পাল বিলনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লবদি অদুগুম্বা কংগ্রেস পার্টিগী মীওইশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইরগনি হায়বসি মখোয়না খঙই। বি জে পিনা চহি ৭ শক্তি পায়বা মতমদসু অদুগুম্বা থৌদোকশিং থোকখি। মখোয়সু বিল অদুনা মপাঙ্গল কনখৎলক্লবদি অৱাবা মায়োক্লগনি হায়বদু খঙই হায়না চহি ৪৫ শুরবা চিফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বিল অদু ৱিদ্রো তৌননবা হোৎনখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হোম মিনিষ্ট্রিদা চিঠি ইখ্রে। অদুম ওইনমক সহর অদুগী সরকার অদুনা অন–কন্সটিট্যুসনেল ওইবা রুল অদু ইনবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি। মতম অদুদা থোকখিবা ওর্দর অদু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি।


হোম মিনিষ্ট্রিনা অদুগুম্বা চেরোল অদু করিগীদমক্তা ফোঙদোকখ্রিবনো মদু খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা অমদি শাথিবা ইশু অমনি। কেজ্রিৱাল মশামক্না ৱাশক লৌবা মতমদা কন্সটিট্যুসনগী চৎনবী ঙাক্কনি হায়না ৱাশকখি। মহাক্না চিফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতুংদা খঙলক্লে মদুদি, মখোয়না অদুগুম্বা থবক অদু করিগীদমক্তা চৎখিবনো। মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদা হৌখিবা ৱারীশিং অদু খঙহল্লক্লবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা লেজিসলেটর ১৩ মশক খঙদোক্লে হায়রি। চহি ৬ / ৭ কী মমাংদা লৈরমখিবা ফিভমশিং অদু ময়েক শেংনা খঙবগা লোয়ননা মদুগী মথক্তা কেস লৌখৎকনি। মদু নত্রবদি এসেমব্লি করম্না আইন শেমগদৌরিবনো হায়খি।

# অসামদা চাওখৎ থৌরাং থিন্থহনবগী মতাংদা মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মরাল শিখ্রে

*গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ৮ঃ* বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্রা মোদিনা থাংজ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহবু মরাল শিরদুনা হায়খিবদা রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবা অসামদগী কারকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা ষ্টেট অদুদা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমদ্রে। লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাওখৎ–থৌরাং অমত্তা পায়খৎত্রে হায়না মরাল শিরক্লি।

গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা মোদিনা হায়খিবদা, চহি ২০ গী মমাংদগী মনমোহন সিংহনা অপর হাউসতা অসামগী মহুৎ শিন্দুনা লৈরকখি। অদুম ওইনমক মহাক্না লমদম অদুগী করিগুম্বা চাউখৎ–থৌরাং অমত্তা পায়খৎলমদ্রে। অসামগী ইচম চম্বা মীওই অমনা ষ্টেট অদুবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা অসুক কুইবা মতম অসি হৌখিবদা অহোংবা অমত্তা ষ্টেট অদুদা পুরকপা ঙমদ্রি। মনমোহন সিংহনা তৌগদবা থবকশিং অমত্তা তৌদ্রে। ষ্টেট অদুদা করিসু তৌবা ঙমদ্রবা অদুনদি লৈবাক অসিগীদমক মহাক্না করি তৌগদৌরিবনো হায়নসু হংখি।

হৌখিবা চহি ৬০ কংগ্রেসতা শিন্নদুনা লাকখ্রে। মদুদা কংগ্রেসনা মীয়াম্গু লান্না লমজিংবা নত্তনা করিসু তৌখিদে। বি জে পি না সরকার পায়রক্লবদি মীয়ামগ অপাম্বশিং অদু থুংহনগনি হায়না রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। চারোল শুরোল নাইবা কংগ্রেস পার্টিগী রাজনীতি অদুনা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা লুচিংবা অমত্তা থোকহনবা পামদে। কংগ্রেসকী লুচিংবশিং অদুনা হংলি মদুদি, সরদার ভালভাই পটেলগী মুর্তি করিগীদমক শেমগৎলিবনো। মুর্তি অদু নরমাদা তুরেলদা পায়খৎলিবা সরদার সরোভা দামদা খিনগদবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা মহাক্না হায়, সরদার ভালভাই পটেল কংগ্রেসকী লুচিংবা অমখক্তা নত্তে। মহাক লৈবাক অসিগী লুচিংবনি হায়না গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখি।



মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অসামদা সরকার পায়রিবা কংগ্রেসকী চিফ মিনিষ্টর গোপিনাথ বোরদোলোই সরকারনা খঙদ্রে মদুদি, সরদার পটেলনা অসাম্বু পাকিষ্টান্দা তিনখিগদবদগী কলহৌখিবনি। লৈবাক অসিবু অপুনবা শাগৎলম্বা সরদার ভালভাই পটেল ফাওবা মশক খঙবিদ্রবদা অসাম চিফ মিনিষ্টর বোরদোলোইদি করম্না মশক খঙগদৌরিবনো হায়খি।

অসাম ষ্টেট অসি চাগা মরী লৈননা মশক খঙনরবা লমদমনি। অসামনা পুথোকপা চাশিং অদু লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন কয়ানা শিজিন্নরি। ষ্টেট অসি ইন্দিয়াগী মরুওইবা ষ্টেট অমনি। লমদম অদুদা হিংশা কয়া থোকপনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা চাওখৎপা ঙমদনা লৈরি।

অসামদা মোদিনা রেল্লি য়াওখ্রবা মতুং ইম্ফালদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি। রেল্লি অদুদা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী চাওখৎ–থৌরাংদা লমদম অসিগী মীয়াম নীংথিনা চাওখৎপা ৱাৎপনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ–থৌরাংদা শরুক য়াবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকখি।

# বিহারগী কন্সত্রক্সন কম্পেনি অমগী গারী ১০ মাওইষ্টশিংনা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে

*মুজাফর নগর, ফেব্রুৱারি ৭ঃ* বিহারগী মুজাফর নগর দিষ্ট্রিক্টতা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মাওইষ্টনি চিংনবশিংনা লম্বী শেম্বা কন্সত্রক্সন কম্পেনি অমগী গাড়ী ১০ মৈ থাখ্রে। হায়রিবা লমদম অদু মাওইষ্টশিংনা খুৎলিংবা মফম ওইবগা লোয়ননা মাওইষ্টকী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই ২০০ রোম্না কন্সত্রক্সন কম্পেনি অদুগী মিস্রাওলিয়া খুঙ্গংদা লৈবা ৱার্কশোপ অমদা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা চংশিল্লত্তুনা গাড়ীশিং অদু মৈ থাদোক্লমখিবনি হায়রি।





জিলা অদুগী সেনিয়ার সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস সৌরবকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, খুৎলায় মতিকচানা পায়বা মাওইষ্টকী কাদর ২০০ রোম্না জে এম বি কন্সত্রক্সন কম্পেনি অদুগী মিস্রাওলিয়া খুঙ্গংদা লৈবা ৱার্কশোপ অমদা ইরাই নুমিৎকী অথেংবা অহিংদা চংশিল্লত্তুনা অমাং অতা থোকহল্লকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা কম্পেনি অদুগী গারী ১০ মৈনা চাকখ্রে হায়রি। কন্সত্রক্সন কম্পেনি অদুদা মাওইষ্টকী লালহৌবশিং অদুনা তাল্লকখিবা দিমান্দশিং পীবা ঙমদবদগী অদুগুম্বা অমাং অতাগী থবক অদু চৎখরমখিবনি হায়না সেনিয়ার এস পি সৌরবকুমারনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মাওইষ্টকী কাদরশিং অদুগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টার তৌরে। শকখঙদবশিং অদুগী মথক্তা লৌখৎখিবা কেস অদুনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদু ফাননবা পাক শন্না থি–হুন্নগী থবক চৎখরি।

মাওইষ্টশিংনা খুৎলিংবা মফমশিংদা মখোয়গী ৱাফম থৌওইদবা নত্রগা পাঙথোকপা ঙমদবশিংগী মথক্তা অদুগুম্বা নাতে চাদবা থৌদোকশিং অদু মমাংদগী হৌনা চৎখদুনা লাকখিবনি। ষ্টেট পুলিসনা সেন্টরগী মতেংগা লোয়ননা মাওইষ্টশিং অদুবু লাকশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলিবনি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা মাওইষ্টকী কাদরশিং অদুনা চৎখরকখিবা অকায়–অতোয়গী থবকশিং অদু লাকশিনবা ঙমদনা লৈরিবনি।

লৈবাক অসিদা মাওইষ্টকী ইরাং অদুনা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা অখন্নবা ওপরেসন চৎখনবা থবক কয়াসু সেন্টর সরকারনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকা তান্নদুনা পায়খৎলি।

মাওইষ্টশিংনা মখোয়গী দাবীশিং তানবগা লোয়ননা মীফা মীপুনগী থবক কয়া চৎখদুনা লাক্লি হায়রি।

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21

* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , –@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500 Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-

Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-

Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/

Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply

hp ASUS KYOCERA acer